HUEIYEN LANPAO

# ঐহাক ইরাল লৈতে হায়বা প্রুভ তৌগনি : রেষ্টলর নরসিংহ যাদব



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯ ঃ

রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌগনি হায়না মঙ মঙজরল্লগা সি এ এস (কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট) না পীরকখিবা ভর্দিক্ট অমনা নিংবা কায়হল্লবা ইন্দিয়ন রেষ্টলর নরসিংহ যাদবনা মহাক মরাল লৈতে হায়বদু প্রুভ তৌনবা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা লাইবক খঙহোং হোংখিবা খোঙথাং অমদা রেষ্টলর নরসিংহ যাদবপু দোপ টেষ্টতা ফেল ওইবদগী ঙরাং ওলেম্পিক্সতগী খৎতোকখি অমসুং চহী মরিগী শান্নবা য়াওবা য়াদবগী অথিংবা থমখি। নেসনেল এন্টি-দোপিং এজেন্সিনা পীখিবা দোপিং টেষ্টকী রিজল্টতা মঙোন্দা অশোয়বা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসকী এদহোক দিজিজনা নেসনেল এন্টি-দোপিং এজেন্সিগী ৱারেপ অদুবু মথন্তা ওন্দুনা ইন্দিয়ন রেষ্টলর অসিবু শান্নবা য়াহনখিবনি।

'সি এ এসকী ৱারেপ অসিনা ঐহাক্কী নিংবা পুংকাই কায়হল্লে হায়বসি ইচম চম্বা ৱাহৈনি। ওলেম্পিক্সতা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্নবা শান্নগনি হায়বা ৱাখল অসিনা লীচিং ওইদুনা হৌখিবা থা অনীরোমসি ঐহাক্না অৱা-অনা খুদিংমক কাওথোকপমখৈ অদুক্কী মতীক কন্না হোৎনরকখি। রিও ওলেম্পিক্সতা লৈবাক্কীদমক্তা মেদল অমা লৌনবা কম্পিটিসনদা য়াওনবা বাউট হৌগদবা সুপ্নগী পুং ৮ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা ঐঙোন্দগী নুংশি হৈতনা মাংহনবীখ্রে' হায়না নুপাগী কে জি ৭৪ গী কেটেগোরিদা ফাইট তৌনবা শেম শাখিবা নরসিংহনা হায়খি।

'তৌইগুম্বসু ঐহাক্না ঐহাক ইরাল লৈতে হায়বদু উৎনবা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌগনি হায়না মহাক্কী স্পোন্সরশিংনা থাদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

# জমাইকান লমজেল্লোয় উসেইন বোল্টনা মিটর ২০০ গী লমজেলদা ওলেম্পিক টাইটল লৌখ্রে




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯ ঃ

রিও ওলেম্পিক গেমসগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা জমাইকান লমজেল্লোয় উসেইন বোল্টনা সেকেন্দ ১৯.৭৮ তা ফিনিসিং লাইন য়ৌদুনা ওলেম্পিক টাইটল লৌখ্রে।

ওলেম্পিক্কী মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা উসাইন বোল্টনা ফোঙদোকখিবদা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা ফাওরবা মীওই অমা ওইনা শিংথানবা পামই। ফুটবোলগী মমিং লৈরবা পেলে অমদি বোক্সিংগী মমিং লৈরবা অলিগুম শান্ন-খোৎনবগী লমদা মালেমগী ওইনা মমিং চৎপা মীওই ওইবা পামই। শিংথানিংঙাই ওইবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্ন বগীদমক পুন্সিদা হোৎনদুনা লাক্লি।

ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়নবা হোৎনবদা য়াম্না কন্না হোৎনবা চঙই। হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙম্মবা হোৎনদুনা লাক্লি। মালেমগী শক্ন ৷ইরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমিং চৎপা শান্নরোয় ওইবা পাম্মী।

জমাইকান লমজেল্লোয় উসেইন বোল্টনা ওলেম্পিক্কী লমজেলগী ইভেন্ট কয়াদা য়াওদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা চঙশিল্লি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী অয়াংবা নুপা অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনরক্লি। রিও ওলেম্পিককী ওইনসু মিটর ১০০গী লমজেল অমদি মিটর ২০০ গী লমজেলদা মহাক্না মথংশিংনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমলি।

মিটর ২০০ গী লমজেলদা জমাইকাগী উসেইন বোল্টনা সেকেন্দ ১৯.৭৮ তা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। কনাডাগী এন্দ্রে দে গ্রেসীনা সেকেন্দ ২০.০২ চেন্দুনা সিলভর মেদল লৌখি। ফ্রান্সকী ক্রিষ্টোফ লেমাইট্রিনা সেকেন্দ ২০.১২ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

বৃটেনগী অদাম জেমিলিনা সেকেন্দ ২০.১২ চেন্দুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। নেদরলেন্দগী চুরান্দে মার্টিনানা সেকেন্দ ২০.১৩ চেন্দুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। য়ু এসকী লাসোন মিরিটনা ২০.১৯ চেন্দুনা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। পানামাগী এলোনসো ইদৱার্দনা সেকেন্দ ২০.২৩ চেন্দুনা তরেৎশুবা পোজিসন তাখি। টর্কিগী রামিল গুলিয়েভনা সেকেন্দ ২০.৪৩ চেন্দুনা নিপানশুবা পোজিসন তাখি।

উসাইন বোল্টনা মিটর ১০০ গী লমজেলদসু চেম্পিয়ন ওইখ্রে। মিটর ২০০ গী লমজেলদসু চেম্পিয়ন ওইখিবা অসি থারগা উসেইন বোল্ট রিও ওলেম্পিক গেমসদা গোল্ড মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

# সাইনা নেহৱাল এথলেটিক্স কম্মিসনগী মেম্বর ওইবা ঙমখিদ্রে




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯ ঃ


শান্ন-খোৎনবগী গ্লোবেল গভর্নিং বোদি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী এথলেটিক্স কম্মিসনগী মেম্বর অমা ওইনবগী লমজেলদা তরুকশুবদা লৈখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টোপ বেদমিন্টন শান্নরোয় নুপী সাইনা নেহৱাল কম্মিটি অদুগী মেম্বর মরিগী মনুংদা অমা ওইবা ঙমখিদ্রে।

রিও গেমসতা শরুক য়ারিবা এথলেট খুদিংমক্না ভোট থাদবা য়াবা ইলেক্সন অদুদা সাইনানা ভোট মশিং ১২৩৩ ফংখি। মরিদু মেনশিন্নবা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সনদুগীদমক্তা মালেম পুম্বদগী নোমিনেট তৌখিবা মকোক থোংবা শান্নরোয় ২৩ গী মনুংদা মহাকসু অমনি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা রিও ওলেম্পিক্সতা নুপীগী সিঙ্গলস ইভেন্টশিংগী গ্রুপ ষ্টেজদা মায়থীবা নংখি। ইলেক্সন অদু হৌখিবা নুমিৎ ২৫ অসিদা রিওদা লৈবা ওলেম্পিক ভিলেজদা পাঙথোকখিবনি। আই ও সিগী সেসনদা এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা মীখলদা মায় পাক্লবা এথলেট মরিদু আই ও সিগী মেম্বরশিং ওইদুনা চহী নিপানগী টর্ম অমগীদমক ওফিস পায়গনি।

বৈজিং ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট ফেন্সর বৃট্টা হৈইদমানবু ভোট ১,৬০৩ গা লোয়ননা মীখলদুদা খনখি। মহাক্কী তুংদা সাউথ কোরিয়াগী মমিং লৈরবা টেবল টেনিসকী শান্নরোয় সিয়ুং-মিন রিয়ুবু ভোট ১,৫৪৪ গা লোয়ননা খনখি।

## ইশিনবায়েভা আই ও সি এথলেটস কম্মিসনগী মেম্বর খনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ ঃ

রসিয়াগী পোল বোল্টর য়েলিনা ইশিনবায়েভা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) এথলেটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

কম্মিটি অসিগী চহী নিপানগী টর্মগী ওইনা মালেমগী মশক নাইরবী পোল বোল্টর ইশিনবায়েভা খনখিবা অসিগা মরী লৈননা মহাক্না কম্মিসন অসিগী নৌনা খল্লবা মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ইশিনবায়েভা ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট অনীরক ওইখ্রবী মালেমগী মশক নাইরবী পোল বোল্টর অমনি। য়েলিনা ইশিনবায়েভানা রিও ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ তা রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট পুম্নমক ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না ৱারেপ লৌখিবা অসিগী মতাংদা য়ানিংদবগী মোতসু ফোঙদোকখ্রে।

আই ও সিগী এথলেট কম্মিসন অসিগী মেম্বর ওইনা ইশিনবায়েভাগা লোয়ননা জর্মনগী ফেন্সর ব্রিতা হৈদিমন, সাউথ কোরিয়াগী টেবল টেনিস শান্নরোয় রিয়ু সিয়ুং মিন অমদি হঙ্গেরিগী স্বিমর দেনিএল গীর্তাসু খনখিবনি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ হয়েংদগী টিম ১২ না শরুক য়াদুনা মপান কাংজৈবুংদা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ ঃ

লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা লীগ অমা ওইরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ থা অসিগী ২১ দগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা মপাঙ্গল কল্লবা অমদি মমিং লৈরবা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা হৌরগনি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ অসি মায় পাক্না পাঙথোক্নবগীদমক রেফ্রী ৪২ অমদি মেচ কম্মিস্নার ৯ খনখ্রে। মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি নাকো নম্বুল মপান, য়ু এস এ খুরাই, এফ সি জালেন, এস এস য়ু শিংজমৈ, ত্রুগপু নম্বোল, ত্রাও ক্বাকৈথেল, ক্লাসা কৈনৌ, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং, এইম খাবম, নেরোকা এফ সি, নিশা থাংমৈবন্দ অমসুং সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনি।

ষ্টেট লীগ অসি মায় পাক্না পাঙথোক্নবগীদমক মেচ কম্মিস্নার ৯ অদুদি যাদব চন্দ্র হাওবম, কে এস ঐচ শরতচন্দ্র, এল য়াইমা, এম রানিদাস, কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র, এন জোতিনকুমার, এস রামেশ্বর, এল ইবোহল অমসুং এস জেমস কুমারনি। লোয়ননা খল্লবা রেফ্রী ৪২ অদুদি, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এল অজিৎকুমার, সাইখোম ওনিল, নাওরোইবম সন্তোস, ঙাইরাংবম অনন্দ, পেবম রাজেশ, সরুংবম সুরেশ, থৌনাওজম রঘু, সৌগ্রাকপম তোম্বী, লাইশ্রম হরিমোহোন, তখেল্লম্বম হেমন্ত, এস কেনেদি, আই রবিচন্দ্র, পি ঐচ লম্হোইবা, এল রোপেন্দ্র, এন ইবুংঙো, এন অরুনকুমার, য়ুম্নাম ইঙোবী, কাঙজম অজিৎকুমার, ৱাহেংবম স্প্রিংসন, হিরোম অমর্জিৎ, তখেল্লম্বম প্রেমজিৎনি।

থৌবালদগী এল প্রিয়োবর্ত্ত, এম দি লটিফ অলি, টি রঞ্জিতা, এল সনাতোম্বা, কে ঐচ ইবুংঙো, এল রোজিৎ, সৌবাম রোবিন অমসুং হৈক্রুজম সন্তোসনি। ককচীংদগী এম মাঘো, থিংনাম প্রসুরাম, কৈশাম ব্রোজেন, থৌদাম অরুনকুমার, টি ঐচ দিনেশ্বর অমসুং চিমচিম সর্টোনি।

বিষ্ণুপুরদগী আর কে রঞ্জন, লাইশ্রম প্রেবিচান্দ, এন চিংলেম্বা অমসুং নোংমাইথেম বিজেননি। সেনাপটিদগী রোংমৈ ফিলিপ, উখ্রুলদগী রিংকাহাও ভাসুম অমসুং চান্দেলদগী জয়সিংহ মোনসাংনি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী ফিচরসু মখাদা পীরি।

## 11th Manipur State League 2016

***List of participating Teams***

1. NACO 2. USA 3. FC ZALEN 4. SSU 5. TRUGPU 6. TRAU 7. KLASA 8. YPHU 9. AIM 10. NEROCA 11. NISA. 12. SU

| Date | Time | Match No. | Teams | | | Team A |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 21-08-2016 | 1:30 P.M. | 1 | NACO | VS | SU | NACO |
| 22-08-2016 | 1.00 P.M. | 2 | USA | VS | NISA | USA |
| | 3:00 P.M. | 3 | FC ZALEN | VS | NEROCA FC | FC ZALEN |
| 23-08-2016 | 1.00 P.M. | 4 | SSU | VS | AIM | SSU |
| | 3:00 P.M. | 5 | TRUGPU | VS | YPHU | TRUGPU |
| 24-08-2016 | 1.00 P.M. | 6 | TRAU | VS | KLASA | TRAU |
| | 3:00 P.M. | 7 | NISA | VS | NACO | NISA |
| 25-08-2016 | 1.00 P.M. | 8 | SU | VS | NEROCA FC | SU |
| | 3:00 P.M. | 9 | USA | VS | AIM | USA |
| 26-08-2016 | 1.00 P.M. | 10 | FC ZALEN | VS | YPHU | FC ZALEN |
| | 3:00 P.M. | 11 | SSU | VS | KLASA | SSU |

# অর্জেন্টিনাগী নুপাগী হোকি টিমনা বেলজিয়ম মায়থীবা পীদুনা গোল্ড লৌখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯ ঃ

অর্জেন্টিনাগী নুপা হোকি টিমনা বেলজিয়মবু ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক টাইটল লৌখ্রে।

ওলেম্পিক্কী নুপাগী হোকি ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনা অমদি বেলজিয়মগী টিমনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অর্জেন্টিনানা বেলজিয়মবু বোল ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী নুপাগী হোকিগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি। অর্জেন্টিনানা নুপাগী হোকিদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। বেলজিয়মনা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

নুপাগী হোকি ফাইনেল চঙলকপগী লম্বীদা সেমী ফাইনেলদা বেলজিয়মনা নেদরলেন্দসপু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা নেদরলেন্দসপু মায়থীবা পীদুনা বেলজিয়মনা ওলেম্পিক্কী নুপা হোকিগী ফাইনেল চঙলকখি। অর্জেন্টিনানা জর্মনিবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা চঙলকখিবনি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জর্মনিবু অর্জেন্টিনানা য়াম্না লাকচনা ৫-২ দা মায়থীবা পীখিবনি।

থার্দ প্লেসকী মেচতা জর্মনিনা দটচপু পেনালটি শুট আউটতা ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। থার্দ প্লেসকী মেচতা জর্মনি অমদি দটচ অপীবা মতমগী মনুংদা ১-১ দা দ্রো লৈবদগী পেনাল্টি শুট আউটতা জর্মনিনা কাখিবনি। জর্মনিনা দটচপু পেনালটি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা থার্দ প্লেসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

অর্জেন্টিনা অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা শান্নখিবা নুপাগী হোকিগী ফাইনেল মেচ টিম অনীমক্না য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা এটেক চথরক্তুনা হাফ মমাঙদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অনীদা স্কোর তৌবা ঙমখি। বেলজিয়মনা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অনীদা গোল চনবা ঙমখিদে। মেচ অদুগী লোইগদবা মতম খরখক্তমক ঙাইরকপদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় অগষ্টিননা বোল অমা য়াঙনা পুশিল্লক্তুনা বেলজিয়মগী গোল মোটতা চনশিনবা ঙমখি।

# চাইনিজ স্বিমর চেন ঝিনয়ী অমদি ব্রাজিলগী সাইক্লিষ্ট ক্লেবর দ সিলভা রামোস দোপিং পোজিটিব ওইবগীদমক তান্থোকখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯ ঃ

ব্রাজিলগী সাইক্লিষ্ট ক্লেবর দা সিলভা রামোস অমদি চাইনিজগী স্বিমর চেন ঝিনয়ী দোপিং পোজিটিব ওইবগীদমক দিসক্বালিফাই তৌখ্রে।

ব্রাজিলগী সাইক্লিষ্ট ক্লেবর দ সিলভা রামোসনা নুপাগী রোড রেসতা মেদল ফংখিদ্রবসু সাইক্লিষ্ট অসি ঈ পি ও টেষ্ট পোজিটিব ওইবগীদমক প্রোভিজনেল সসপেন্সনদা থমখ্রে।

অমরোমদা চাইনিজগী স্বিমর চেন ঝিনয়ী হাইদ্রোক্লোরোথিয়াজাইদ টেষ্ট পোজিটিব ওইবগীদমক স্বিমর অসিবুসু প্রোভিজনেল ওইনা সসপেন্দ তৌদুনা এথলেট অনী অসিগী মথক্তা থিজিনবা হৌখ্রে। ব্রাজিলগী সাইক্লিষ্ট ক্লেবর দ সিলভা রামোস অমদি চাইনিজগী স্বিমর চেন ঝিনয়ী রিও ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ তা দোপিং টেষ্টতা পোজিটিব ওইবগীদমক সসপেন্দদা থমখিবা অসিনা এথলেট অনী অসিগী তুংগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রি।

চাইনিজগী স্বিমর চেন ঝিনয়ীনা নুপীগী মিটর ১০০ গী বটরফ্লাই ফাইনেলদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি। স্বিমর অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংননবগীদমক সুপ্নতগী সেকেন্দ অমগী তরাথোকপগী শরুক্কী চাং ৱাৎখি। মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী চাইনিজগী স্বিমর দোপিং টেষ্ট পোজিটিব ওইখিবা মরম্না মহাক্কী হিয়ারিং লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তৌরগনি। অদুমওইনমক স্বিমর চেন ঝিনয়ীগী রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল ফংহৌদবগী আশা কায়খিবা অসিগী মথক্তা দোপিং টেষ্ট পোজিটিব ওইখিবা অসিনা শান্নরোয় অসিগী তুংগী কেরিয়রদা চাউনা কায়রক্কদ্রা হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোক্লরক্লি।

চহী য়াম্না নৌরিবা তুংগী আশা চাউনা লৈরিবী স্বিমর অসিনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারকপদা দোপিং পোজিটিব ওইখিবা অসিনা চাউনা নিংহন্নবা থোক্লে হায়রি।

# সক্সিদা রাণি লক্সমি বাই এৱার্দ পীগদৌরি



লক্ষনৌ, ওগষ্ট ১৯ ঃ

রিও ওলেম্পিক গেমসদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবা ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিকতা উত্তরপ্রদেশ গভর্ণমেন্টনা রাণি লক্সমি বাই এৱার্দ পীননবা লাউথোকখ্রে।

রেষ্টলর সক্সি মালিকনা ওলেম্পিক গেমসদা ৫৮ কে জি কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল একাউন্ট হাংখিবনি। সক্সিনা মেদল লৌরকখিবা অসিবু ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা উত্তর-প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদবনা রাণি লক্সিমি বাই এৱার্দ পীনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ৩ য়াওরি।

সমাজৱাদি পার্টিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া পাঙথোক্লি হায়নসু উত্তরপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদবনা মহাক্না ওফিসল রেসিদেন্সতা পাঙথোকখিবা রক্ষা বন্দনগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ কয়াগী নুপী কয়ানা চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদবতা রাক্ষি পুনখি।

# দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা জি এম সী ফুবলা অমসুং কে পি এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জি এম সী ফুবলা অমসুং কে পি এফ সী খা পোৎশংবম গোল চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপর দিভিজন টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা জি এম সী ফুবলা অমসুং কে পি এফ সী খা পোৎশংবম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে।

মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা শান্নদুনা গোল একাউন্ট হাংদোক্নবগীদমক অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা গোল ওন্থোক্নবা হোৎনখি। অদুবু মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা চেকশিন্না শান্নখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী হাফ মতুংদা জি এম সী ফুবলা অমসুং কে পি এফ সী খা পোৎশংবমগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি অদুবু চনবদি ঙমখিদে। মায়কৈ অনীমক্না গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদবনা দ্রো ওইখি।

মেচ অদুদা জি এম সী ফুবালাগী শ্যাম সুন্দর মেচকী ৬২ শুবা মিনিটতা রেফ্রীনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

চথরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ৱাই এস দল্লিয়ু এ উৎলৌ অমসুং সী ৱাই সী চিনিকোনগা শান্নরগনি। মথংগী মেচ থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অমোফা মোইরাং অমসুং লসাল লৈমপোকপমগা শান্নরগনি। থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা কে পি এফ সী খা পোৎশংবম অমসুং এফ সী মোইরাংগা শান্নরগনি। থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা ৱাই এস দল্লিয়ু এ উৎলৌ অমসুং জি এম সী ফুবলাগা শান্নরগনি। থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা কে পি এফ সী খা পোৎশংবম অমসুং অমোফা মোইরাংগা শান্নরগনি। থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা জি এম সী ফুবলা অমসুং এফ সী মোইরাংগা শান্নরগনি।